ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯹ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, দিসেম্বর ০৮, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ২৪৯শুবা মশীং

# লালহৌলূপ ২৫গী ‘সু’ মীয়াম্না মায়োক্তা লেপ্পল্লিবা করিগীনো

অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং খক্তগী ৱাফম নত্তনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈবাকসিদা মখল অমত্তগী লালহৌবগী ঈরাং লৈহনবা পামদে, লৈহন্নীংদে। মসিগী ময়েক লারবা থৌদোকশিং লৈবাকসিগী মীয়াম্না শং-শং উখ্রবনি। লোইনমক কোখোক্লুদ্রবসু খালিস্তানগী অকনবা মুভমেন্ট চথরকখিবা পঞ্জাবতা কমাই তৌখিবগে? টামিল য়ুনাইটেদ লিবরেসন ফ্রন্ট (টি য়ু এল এফ) কী লাইবক্লা করি ওইখি। মপূম ওইবা ষ্টেট অমা ওইরকখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা করি থোরকখি। য়ূমথংনরিবা লৈবাকশিংদগী ক্রোস বোর্দর টেরোরিজমগী থবক-থৌওংশিং ফাওবা থিংনবনি হায়দুনা জম্মু অমসুং কাশ্মীরদা পীরকপা স্পেসল ষ্টেটস ফাওবগী প্রোভিজন পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্লগা শেমদোক্লিংবা মওংদা ওইহনখিবনি। নোর্থ-ইষ্ট ষ্টেটশিংদা য়েংলুরবসু অদুঙৈ কুমজা ১৯৭৫গী ‘শিলোং একোর্দ’ য়াওনা মিজোরামগী মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) কী লাইবক করি ওইখিবগে? হৌজিক চহী কয়া লিশাং শিংনা চথরক্লিবা নাগালেন্দগী লালহৌলূপশিংগী পিছ প্রোসেসনা করম্বা ফীভমদা লৈরিবগে হায়বসি পূন্নমক্লা খঙবা পোৎনি। ইশম শম্বদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয়গী মথক্তা অমসুং মখোয়গী মখাদা লৈবা ষ্টেট লৈঙাকশিংগী মরক্তা নৎত্রগা লৈঙাক অনীগী তুনা মায়োক্তা মখল অমত্তগী লালহৌ হৌরকপা, খূৎলায় পায়বগী লান তৌরকপা পামদে। মরু ওইনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদগী তোখাই তাজরগে হায়রকপা কাঙবুদনা অমুক্কা হেন্না অকনবা মিৎয়েংশিং য়েংই। মথৌ তাবনি হায়বা থবক-থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। অদুম ওইনমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা খূৎলায় পায়বগী লালহৌ লৈহন্নীংদবা অমসুং লৈবাকসিদগী তোঙাল্লগে হায়রকপা ৱাফমদদি কন্দিসন অমত্তদা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়বসিমদি ময়েক পুমশেং শেংলবা ৱাফমনি।

অদুবু ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংনা লেপ্পল্লিবা ফিরেপসিদগী পুমহোং-হোংদোক্লবসু অনীংবা-অপাম্বা খরদি ফংগনি খল্লকপা কাঙবুদি ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট লৈঙাকশিংগা হকথেংননা ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানবগী লম্বীরোমদা চঙশিল্লক্লি। অদুম ওইনমক তাল্লিবা পন্থুং অমসুং ফংনীংলিবা পান্দমদু হরাও-হরাওনা অমসুং য়ানীংনা পীরক্লোই খঙবা কাঙবুদি ৱারী শানবরোমদা কুমথরক্লি। মখোয়না পাল্লিবা অদুমক্লা এজেন্দা ওইদ্রবদি ওনশিন্নদুনা ৱারী শানরোই হায়দুনা থোরক্লি। মখোয়গী লান্থেং লেপ্তুনা চথরক্লি। মতাংসি য়ৌরকপদা মণিপুরগী ওইনা য়েংবা য়াবদা হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লা ‘সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন’ (সু) গী অয়াবা থম্নরক্লিবা লালহৌলূপ ২৫গী মায়োক্তা মীয়াম্না নোংম-নোংমগী লেপ্পলকপা হৌরক্লিবা করিগীনো হায়বসি হৌগৎলকপা তাঞ্জাসিদা নৈনহৌবা চুমগনি। ‘সু’ তৌনরক্লিবা অপূনবা লালহৌলূপশিং অসিগী অনী থোক্লা নাকপাক তানা কুকি নেসনল ওর্গনাইজেসন (কে এন ও) অমসুং য়ুনাইটেদ পীপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী মখাদা লৈবনি। অপূনলূপ অনীসিগী মখাদা লৈরিবা লালহৌলূপ ২৫গী মনুংদা কে এন ওগী মখাদা লৈবনা ১৭নি। অদুগা য়ু পি এফকী মখাদা লৈবনা ৮নি। ‘সু’ গী য়ান্ন-চেনা ওগষ্ট ২২, ২০০৪দা ইন্দিয়া অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা খূৎয়েক পীনখিবনি। মতমদুদগী হৌজিক ফাওবদা কে এন ও অমসুং য়ু পি এফকী মখাদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দিজিগনেটেদ কেম্প ৭/৭ হাংদোক্লুনা থম্নক্লিবনি। অদুবু নাকল অহুমগী মরক্তগী ‘জোইন্ট মোনিটরিং গ্রুপ’ (জে এম জি) ফাওবা শেমদুনা য়ানবা গ্রাউন্দ রুলশিংনা য়োমশিন্দুনা থম্নক্লিবা ‘সু’ গী লালহৌলূপশিংগী মায়োক্তা মীয়াম হৌরক্লিবা করিগীনো হায়বসি য়ানবগী খূৎয়েক পীনরিবা য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্লসু মুন্না খঙগদবনি। কে এন ও অমসুং য়ু পি এফপু মমাই চুন্নিবা মীওইশিং অমদি মখোয়গী খূৎপু অনীসিদা য়াওরিবা কাঙলূপশিংনসু খঙগদবনি। হৌজিক হৌগৎলকপদা ঙাইহিরিঙৈদা মসিগী চপ চাবা মরমশিং খঙদোক্লুনা পুংলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাহৌদ্রবদি মীয়ামগী মায়কৈদগী পুংলোন কাইরকপদা অফবা ওইরক্লোই। অনী শোক্লবা লানদা খূৎশু-খূৎলায় অফবা মরাং কায়বা খক্তনা মায় পাক্লনি হায়বা লৈতবনি। লানফমদদি শিবা কিদবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা মায় পাক্লবগী পাম্বৈনি হায়বসি কাউথোক্লোইদবনি। য়ান্নবা অসিনা ঙাক-শেল্লক্লিবা লালহৌলূপ খরসিগী মায়োক্তা মীয়াম্না ফোংনা থোরক্লিবসিগী মরম থিদোকউ।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৫

১) **‘‘অঙাঙবা লৈগী অঙৌবা মচু’’** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

২) **‘‘বাস্করবিলে সাগেগী শাদানহুই’’ (২০০১)** হায়বা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **‘‘চেক্লা মাদি খঙলম্মী’’** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **‘‘ওঁ বাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)’’** হায়বসি কনানা ইবনো?

৫) **‘‘নিংঙাইদনা য়াতারিবশিং/মোংফমথকসিদা--,/হৌগৎলো নুংশিরবা মরুপশা!/ঐখোয়সু মপূং ফারে,/অহিংবশিংদা লান হৌরসে।’’** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ১০১ (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মমাঙগী এদিসনদা তোঙান তোঙানবা চীংগী ফুরুপশিংনা শুমাং লীলাবু ত্রাই তৌদুনা শান্নখিবগী ৱারী ৱাখোঙ অমা চাওরাকপা থমজখ্রে। লীলাদু মখোয় মখোয়গী লমদা উৎপদা য়াম্না মায় পাকখি। অদুবু মদুনা মখা তানা শেন্দান লম্বী অমা ওইনা নৎত্রগা প্রোফেসন অমা ওইনা চত্থখিবগী পাউদি তাখিদ্রে। লোয়ননা মখা তাবা প্রদক্সন পুথোকপগী ৱাসু লৈখিদ্রে হায়না খল্লি। শুপ্পতগী পান্দম অমগী মখাদা প্রোজেক্ট প্লে ওইনা তৌখিবদুদগী হেন্না থৱায় য়াওশিন্দুনা পরিং ওইনদি চথরকখিদ্রে খল্লি। অদুবু মসিমা ওইখ্রবসু চীংগী মীশিংনা শুমাং লীলাসি পামদ্রবরা হায়বা অদুদি লৈতে, য়াম্না পাম্মী। মখোয়নসু লীলা য়েংবগী নুংঙাইবা মহাউ অদুদি তশেংনা ফংখি। অদুগা লোয়ননা অঙকপা থোইদোক হেন্দোকপা অমগুম্না উবীখি। চীংগী লমদা লীলা অমা শান্নবা মতমদা মী কুংনা তাবা মফমদদি য়াম্না য়েংলবসু অপিকপা খুল ওইরবদি পংয়াম য়াম্না য়েংনদে। অদুগীসু মথক্তা মফম অদুদা কনাগুম্বনা শিন্দুনা তৌবা নত্তনা খুনসানা লীলা অমবু কৌদুনা শান্নবগী শরুক অদুমদি লৈতে। য়েংলগদি মখোয়দা তশেংনা নুংঙাইবা ফাওই। কপ্পী, নোকই। সেন্স খুদিংমক ফাওই।

ঐহাক্লা লীলা তৌজরিঙৈগী মতমদা চীংগী লমদা শান্নখিবা লীলাশিংগী মফম খরা সুম নীংশিংজবদা ঐগী কোক্তা লাক্লিবসি - সেনাপতিগী মফম অমা অনীদা, কাংপোকপীদা, চান্দেল, তমেংলোং, নোনে, নুংবা, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুর হায়রিবা মফম খরা অসিদদি হঞ্জিন হঞ্জিন শান্নখ্রে হায়না খল্লি। মফম অদুদা কমাইনা ঐখোয়না লীলা শান্নখিবনো হায়বা তারবদি, লমদম অদুদা ওফিস ওইনা লৈবদা ক্বার্টরদা লৈবা মৈতৈ মচাশিংনা কুমগী ওইনা শিনবা চাক চানবা, ওফিসকী মপোক থৌরম, অখন্নবা থৌরম, পুলিস ষ্টেসন, মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়ন লৈবশিংগুম্বদনা হেন্না থৌরম শিনবীখিবনি। অদুগী মথক্তা নুংবা, নোনেনচিংবদদি কুমগী য়াওশঙ লাকপদা মফম অদুদা বিজিনেস তৌদুনা হায়বদি দুকান ফমদুনা লৈবা, হোটেল তৌবশিংনা শেল খাইজিন্নরগা অমদি লম্বীদা চেনবা গাড়ীশিংদগী দোনেসন লৌরগা থৌওইনা লীলা কৌদুনা মখোয়সু অদুগা লমদমদুগী চীংমী ময়ামসু য়েংহন্নবা কৌবনি। মতমদুদদি শেলসু য়াম্না লৌদবনিনা কৈসু থোইনা শেলগী অৱাবদি ওইদে খল্লি। ঐনা হায়জরিবসিদি ঐনা খঙবা ঐগী পার্টিনা চৎচরুবদুগী ৱানি, অতৈ পার্টিগীসু তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শোয়দনা শান্নবীরমগনি। তমেংলোংগুম্বদগদি মনুং হঞ্জিনবা চীংগী খুনদগী লাকপশিংনা য়েংই। মখোয়না য়েংবদা নুপীশাবীশিং অদুগী মেক-অপ অমদি মখোয়গী নেচর কয়া অদুদা য়াম্না পেনবা জাৎনি হায়না খল্লি। লীলা লোইরবা ফাওবদা অতোপ্পা ষ্টেটকী মীওইশিংনা অঙকপা ফাওনা য়েংনবগুম হোৎচিন্দুনা য়েংনখি। তাস্তোক্লবদা কুম্মৈ অমদুম ওইখি। ঐ কাউদ্রি কুম অমা ঐখোয়না শান্নখিবা য়াম্না মমিং লৈবা কৈশামথোং থোইবী হায়বা লীলাদু নুংবাদা হোটেল ফল্লিবা দুকান ফল্লিবশিংনা কৌদুনা লীলাদু শান্নখি। লীলাদুগী মরমদা হান্না খঙবা মীসু য়াম্না য়াওই। অদুগা খঙদবা মমিংফাও তাদ্রিবশিংসু য়াওই। অদুবু মখোয় মশেল ৱারীনবদা কবুই নুপী অমগা মৈতৈ বামোন অমগা লুহোংবগী ৱারীনি। মৈতৈনা কবুইবু তাথীনা তৌবীবগী ৱারীনি হায়না তাবদুদা অসুক্কী মতিক য়াম্না লীলাদু নুপী অঙাং খাক্তনা য়েংনখি। লীলাদু শান্নরে। য়াম্না নুংঙাইনা য়েংই। লীলাদু শান্নরিঙৈদা নহা য়ু ঙাওবা খরদি য়াম্না শাওই। লীলা য়েংলম্বদগী থোকখ্রগা কবুইদি মী নৎত্রা, করিগী কবুইবু উশিৎ থৌওইদবা গা হায়না লাউদুনা চৈ থাংবা তৌখি। মদু মী খরনা অদুম থেমজিল্লি। হোয় তৌবগীবুদি চীংগী লমগী ৱাদা নত্তনা শ্বাইদসু অদু মঙাই, য়ুবু ঙাওরবদি অফ-ফত্ত খঙনদবনিনা লাওবা খোংবা চৈনবা অদুম য়াওরিবা অদুনি হায়না কৈসু ঐখোয়দি থোইনা লুনা লৌরুদে, লীলাদা হেন্না পূক্লিং লুপশিন্না শান্নখি। লীলাদু য়াম্না থৱায় য়াওনা য়েংনৈ। ৱা ৱাসু নোকই, কপসু কপখি। ঐনা খ্বাইদগী নুংঙাইরিবদি লীলাদু লোইরবা মতুংদা খুনগী নুপীশিংনা ঐবু কবুই নুপী লৌবা নুপানি হায়দুনা য়াম্না লুনা তৌবীখিবদুনি। পোৎ য়োনবশিংনা উ মোরোক অকংবা খাইগৎনরগা ঐঙোন্দা খুদোল ওইনা বোরা চাওতক তৌবা অমা পীক থন্না হাপ্পকই। ঐখোয় নিংঙোল মৱানি হায়দুনা হেন্দ সেক তৌব-ও, কোমলাবু পীব-ও ময়াম অমা তৌদুনা হরাও নুংশিনা তৌখি। লীলাদু য়াম্না নুংঙাই হায়না হায়। অদুনা ঐসি অমুকসু খুনদা লাকখো, ঐখোয় চাক কৌগে, কৈদৌঙৈ লাক্কেগে হায়না হংই। লীলা লোইরগা ৱারী শাবতদা ঐখোয় নোং ঙানফুং ঙানফুং তৌখি। কয়াদা নুংশিখ্রবনো? ঐগী পুন্সিদা মদু কাউবা ঙমদে। মসিগা চপ মান্নবা ইম্ফালগী অকোয়বদা লৈবা কবুই খুনশিংদা লীলা য়াম্না তৌই। অতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনদি লীলা কয়া কৌবদি থেংনদে, কবুইদি লীলা য়াম্না কৌই। লীলা কৌদুনা শান্নখিবা মফম খরদি, ঐনা সুম নীংশিংজবদা - কৈখু কবুই খুন, মহাবলি কবুই খুন, কৈশামথোং কবুই খুন, লংথবাল কবুই খুন, কাখুলোং, শওম্বুং কবুই খুন অমদি পন্দোলনচিংবনি হায়বা য়াই। মখোয়গী অখন্নবা লীলাদা কৌবা নত্তে। খুনগী হরাওবা, অঙাং পোকপা, মমিং থোনবনচিংবদা মতম মতমদুগী মমিং লৈখিবা ঐখোয়গী লীলা অমা হেক্তা কৌবনি, অদুগা খুননা হুপ্পা য়েংনবনি। নীংশিংবা অমনা পন্দোলদা কুম অমা কৈশামথোং থোইবী হায়বদু শান্নৈ। খুনগী মীওইশিংনা শেল খায়নদুনা কৌবা লীলানি। থৌওইনা কৈশামথোং থোইবী হায়বসি অখন্নবা কৌরগা য়েংবনি। নুমিৎতু মখোয় খুনগী মৌশিংদু চাকসু চানৈ। নুমিদাংদুদা ঐখোয়গী লীলাদু তৌবনি। লীলাদু হেক হৌবা, গান ঙাইগী জগোয় শাবা, ঐনা ঐগ্যা পামেশ্বর হায়বা রোলদু শাবনি। ঐনা য়ু তপ তাখৈ ঙাওরগা মীগী জগোয় শাফমদুদা চঙশিল্লকপদুদগী হৌরে। ময়ামসিনা অমুক্তোইবা খূবাকপু খুবও, লাও খোংবও, নোকপও তৌদুনা নুংঙাইজবদু, ঐদি য়ু ঙাওরিবনিগা কাউরে, মোই ময়ামগী এপ্রিসিএসনদু উবদা। ঐনা য়ু ঙাওরগা ৱা অহায়বা খুদিংগী খূবাকসি অরোইবীদা খুবনি। থোইবী চেনবা সিনদুদগা মখোয় ময়াম্না হরাওবসিদি মৈ তাখি। মতুং থোরকপা খুদিংগী লীলাদু য়াম্না পেন্না য়েংবীখি। অতৈ কেরেক্টরশিংনা থোরকপদসু চপ মান্নবা এপ্রিসিএসন তৌবিখি, অদুবু থোইবীগা ঐগগী সিনদুদনা হেন্না মখোয়না পামজখিবগীরা খঙদে, য়াম্না নুংঙাই-হরাওনা য়েংবীখিবনি। ঐবু মখোয়গী নিংঙোল মৱানি হায়দুনা লীলা লোইরগা ময়াম পূন্না চাক চাবদা, ঐঙোন্দা ঙা মতুম হেন্না হাপখি। মোই ময়াম্না নখোয় মৈতৈগী মঙানি চাক্কৌবগী চাকনি হায়দুনা য়াম্না নুংঙাইনা ৱা ৱা নোক্তুনা মখোয় য়ামখ্রবশিংদুনা ইকোয় কোয়না য়েংদুনা চাক পীজখি। লীলাদা নোকখিবদুমক, ঐখোয় চাক চাবদসু ফাগি তৌ তৌদুনা ৱা ৱা নোক্তুনা চাখি। মদুসু ঐনা কাউদবশিংগী মরক্তা হৌজিকসু মচং ওইবা অমা ওইরি।

অমুক্কা লীলাসি কৈশামথোং খুলদসু শান্নখি। মদুদা ঐনা তান চারুদুনা দাইলোগ অমা থোক হাপচিনবনি। লৈকায়দুগী মী অমনা দুকান ফম্বা অমগী মমিং হায়য়ু হায়না ঐনা লীলা থোক্লমদাইদা হংঙে অদুদা পান দুকান ফম্বী ললিতাবী হায়বা অমগী মমিং পল্লকই। ঐনা মমিংদু কাউদনা চঙখ্রগা, লীলাদা দাইলোগ ওইনা হাপচিনবনি। মপানা- হায় মহা চন্দান, নঙনা পুখিবা খাবৈ চেগপতুদি কদাইদা থনম্মে হা, খাবৈ চেগপতি হায়না শাউনা হংলকপদুদা, ঐনা খুমখি ‘খাবৈ চেগপ শুকমাং মাঙলোই পাবুং। এম দি য়ু হায়জিনবগী ইতৈমা ললিতাবীগী পান দুকানদো অদুদা থনম্বনি মাঙলোই পাবুং। খাবৈ চেগপ পায়রগা খুন চঙবা ফজদে হায়বদুফাওদি নচা ভাব তাজরি পাবুং’ হায়রিবসি ঐনা নুমিৎতুদা মপা চানা হাপচিনখিবা দাইলোগনি। দাইলোগ হায়রকপদা অয়েংবশিংনা অরোইবী থাদুনা নোকখি। নুমিৎ অদুদগী ঐনা লীলাসি শান্নবা খুদিংগী দাইলোগসি অদুম হাপখ্রে। য়াম্না পোপ্যুলর ওইবা দাইলোগ অমা ওইখি। শুমাং লীলাদি অসি ঙাক্তনি। লীলাসি মপা চানা চানা দাইলোগসি নোংম-নোংমগী হাপচিনবদা চুনখিবশিং অদুদি লেঙদনা লীলাদুগী মপুন্সিগা অদুম লোয়নৈ। হাপচিল্লুরগা ওদিএন্সনা একসেপ্ট তৌদবশিংদুদি অদুম মন্থোকখি। অদুনা খুদক খুদক্কী ওইবা পাইরক পাইখুগী দাইলোগসি শুমাং লীলাদদি য়াম্না মরু ওই। রাইটরনা অইবদু ঙাক্তা ওইদে। অদুনবু শুমাং লীলা হায়বসি এক্টরস সুপ্রিমেসি প্লেনি হায়নফাওবা হায়নরিবনি। হোয় হাপচিনবা য়াদবা লীলাগী তাঙ্কক অমদি মতাংসু লৈতবা নত্তে, অদুদদি অহেনবা ৱাহে অমা হাপ্পুবদা ফরক য়াম্না তাই। অদুনা হাপ্তে।

চীংদা চৎলগা লীলা তৌরুবগী নুংঙাইবসিসু অঙকপা এক্সপরিএন্স অমনি হায়বা তাই। ঐখোয়বু য়াম্না তরাম তরাম্না লোইনমক্লা তৌবী। ঐখোয় আর্টিষ্টশিং অসি য়াম্না স্পেসল ওইনা লৌবী। ঐখোয়গী লৈফম চাফম নীংথিনা শিনবী। লীলাসু মীপূম তিংনা থোরক্তুনা য়েংবী। লীলা শান্নবদা নুপাগী ফম্ফম নুপীগী ফম্ফম হায়বা থৌওইনা শেমদে, পংফমদা ফম্নৈ। অয়াম্বনা মখোয় মশা মশানা ফম্নবা ফিদা পুরকই। অদুনা মমাঙদা ঐখোয় কোয়না ফম্মী হায়রগসু ফকনচিংবা থাদুনা কোয়না ফম্বগী মহুত্তা মোরা, চৌক্রি, ফাননচিংবা থাদুনা য়েংনৈ। লীলাগী মতাংদা কপ্পবুদি নোকপা, ফাগি তৌবসিনা হেন্না পাম্বরা খল্লি। অরুবা দাইলোগ মখোয় মিনীং খঙদে, অদুনা অরুবা লোলনচিংবা হায়বগী মহুত্তা শেমদোক্লগা মখোয়গী অপাম্বা য়েংদুনা অনৌবা লোল অমদি থৌদোকশিং শেমজিন শাজিন্দুনা উৎনবা হোৎনখি। শুমাং লীলা হায়বসি চীং অমদি তম অনীমক্লা য়াম্না পাম্নবা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা ত্রেদিসনেল পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম অমনি হায়বসিদি ককপা য়াদনা অদুম চুমদুনা লৈরগনি। ●

# অমেরিকান হেজেমনিগী মতম লোইশিল্লক্লে - ২

## চাইনা, রুসিয়াগী মায়োক্তা অরানবা পাউ শন্দোকপা

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

চয়োল অনীগী মমাঙদা ইজখিবা ৱারেং অদুগী মখা তারকপা ওইনা য়ু এস এনা ফত্তবা লৌশিং শীজিন্নদুনা মালেমদা লৈরিবা, মরু ওইনা নোর্থ অমেরিকা অমদি য়ুরোপ্তা অরানবা পাউ কয়া শন্দোক্তুনা লাক্লি। অদুম ওইনমক মদুগী অরানবা প্রোপেগন্দা কয়া অদু লৈদুনসু মালেমগী লৈবাক কয়ানা চাইনাগা চৎমিন্নদুনা লল্লোল ইতিক্তা খুমাঙ য়াঙনা মালেমদা চঙশিনবা হায়দুনা চাইনাগা চৎমিন্ননবা হোৎনরি। লাইবক ফবদি ইন্দিয়াসু অমা ওইরে। য়ু এস এনা শান্নরিবা ফত্তবা লৌশিং কয়া অসি খঙলকপনা ইন্দিয়াসু চাইনাগা চৎমিন্ননবা হোৎনরি। চাইনাসু ইন্দিয়াগা লল্লোল ইতিক তৌদুনা চৎমিন্নবা পাম্বা লৈবাকনি অদুবু য়ু এস এগী হিগাইৱানা ইন্দিয়া চাইনা মরী ফত্তনা লাকখিবনি।

মতৌ করম্না য়ু এস এনা অরানবা পাউ কয়া মালেমগী মীয়ামদা করম্না করম্না শন্দোকপগে হায়বগী মতাংদা খুদম খরা থমজগে। য়ু এস এ অমদি বৃটেনগী মখাদা লৈরিবা মরু ওইবা ন্যুজ পেপর, টি ভি, কেবল নেটৱর্ক অমদি ওনলাইনদা সোসল মীদিয়াগী মতেং লৌদুনা অরানবা পাউশিং অসি শন্দোকপদা সী এন এন, বি বি সী, ফোক্স ন্যুজ, ন্যু য়োর্ক টাইমস, ন্যু য়োর্ক পোষ্ট, দি ৱাশিংটন পোষ্ট, য়ু এস এ টুদে, দি সন্দে টাইমস, দি মোর্নিং পোষ্টনচিংবা মীদিয়া চেনেলশিং অসি পনবা য়াই। মালেমগী মীওই অয়াম্বা ইংলিস ইবা, পাবা হৈনবনা পাউশিং অসি শন্দোকপদা য়াম্না লায়না থোকই। অদুগা য়ু এস এসি অসিগুম্বা অরানবা প্রোপেগন্দা শন্দোকপদসু য়াম্না খুমাঙ চাওশিনবা লৈবাক অমনি।




চাইনা, রুসিয়াগী মায়োক্তা অরানবা পাউ শন্দোকপা

মীয়াম্না মালেমগী লোল অমা ওইনা ঙাঙনরিবা ইংলিস লোল অসিবু শীজিন্নদুনা য়ু এস এ অমদি মহাক্কা চৎমিন্নবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিং হায়বদি কনাদা, বৃটেন, ফ্রান্স, জর্মনি অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগুম্বা লৈবাকশিং অসি খক্তদা, মালেমগী অতৈ লৈবাকশিং হায়বদি অফ্রিকা, এসিয়া অমদি লেটিন অমেরিকান লৈবাকশিংবু হুন্দোক্লম্লগা তৌবা সর্ভেদা য়ূম্ফম ওইদুনা চাইনা অমদি রুসিয়াগী মরমদা অফবা পাউ অমত্তা শন্দোক্ত্রি। মশানা তাবনি বি জে পি য়াম্না কনবা মফমখক খন্দুনা মীয়ামগী ওপিনিয়ন পোল লৌরবদি বি জে পিনা পাল্লিবা রিজল্ট ফংবা তাবনি। অদুগা নাকল অমরোমদনা কোংগ্রেস কনবা মফমদা ওপিনিয়ন পোল লৌরগনা কোংগ্রেসনা পামজবা রিজল্ট ফংবা তাবনি। মসিমক্লি য়ু এস এ লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা সর্ভে সেন্টরশিংনা ওপিনিয়ন পোল লৌরিবসু।

থাজবা য়াবা, মীচং মীখাই নাইদবা অশেংবা ওপিনিয়ন পোল লৌগে হায়রবদি য়ু এস এ অমদি য়ু এস এগী লৈবা লিবরেল দেমোক্রেসিগী ৱাখল্লোলদা লৈবা নত্তবা লৈবাকশিংসু য়াওহনগদবনি। Pew Research Center না চৎলিবা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ২৮দা ফোঙখিবা সর্ভে রিপোর্ট “How Global Public Opinion of China Has Shifted in the Xi Era” অদুদা য়াওখিবা লৈবাকশিং অসি য়ু এস এগা চৎমিন্নবা লৈবাক খরা খক্তনি। লৈবাকশিং অসিগী অপূনবা মীশিংনা শুপ্পগী ১.২ বিলিয়ন মুক্তনি। মসিদগী ফংলকপা রিজল্ট অদুনা মতৌ করম্না মালেমগী মীয়াম্না চাইনাদা নৎত্রগা রুসিয়াদা করম্বা মীৎয়েং থল্লি হায়না য়েংবা য়াগদৌরিবা, য়ারোই, নমথাকনি। সর্ভে অসিদা য়াওহনখিবদা লেমহৌরিবা মালেমগী মীওই ৬.৩ বিলিয়নদুগী ৱাখল্লোলদি কমদৌবা।

হায়রিবা লিবরেল দেমোক্রেসিগী মখাদা লৈবা মীওই ১.২ বিলিয়ন অসিদগী ফংলকপা সর্ভে রিপোর্টকী মতুংইন্না অসুম্না উৎলি মদুদি ৭৫%না চাইনাবু ফত্তবা লৈবাক ওইনা উরি অদুগা ৮৭%না রুসিয়াবু ফত্তবা লৈবাক ওইনা উরি। অদুবু নাকল অমরোমদনা বৃটেনগী কেমব্রিজ য়ুনিভর্সিটিনা লৈবাক ১৩৭তগী লৌবা সর্ভে অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি মালেমগী চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা লৈবা বিলিয়ন ৬.৩ (৯৭% ওফ দি ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন) মীওইশিংগী মনুংদা ৭০%না চাইনাবু অফবা লৈবাক অমনি হায়না উরি অদুগা ৬৬%না রুসিয়াবু অফবা লৈবাক অমগুম উরি। মসিনা করি তাক্লি মদুদি নোংচুপলোমগী অয়াম্বা মীদিয়াশিংনা মীচং মীখাই নাইবা সর্ভে তৌদুনা অরানবা পাউ কয়া চাইনা অমদি রুসিয়াগী মায়োক্তা শন্দোক্তুনা লাক্লি হায়বসিনি। মসি ঐহাক্লা খ্বাইদগী নৌনা ফংবা খুদম অমখক পীজবনি, অতৈ য়াম্না লৈখ্রে। অসিগুম্বা থৌওংসি শীজিন্নদুনা চাইনা অমদি রুসিয়াগী মায়োক্তা য়ু এস অমদি মহাক্কী মীচংশিংনা মতৌ অসুম্না অরানবা পাউ কয়া কয়া লেপ্তুনা শন্দোক্তুনা লাক্লিবনি শাংলবা চহী নিফু-য়াঙ্খেসি।

মালেমগী মীয়াম্না চাইনাদা করম্বা মীৎয়েং থল্লি হায়বগী অশেংবা খঙনবা পব্লিক ওপিনিয়ন পোল লৌগে হায়রবদি মীচং মীখাই নাইদনা সর্ভে লৌরিবা কেমব্রিদজ য়ুনিভর্সিটিগুম লেমহৌরিবা অতৈ অফ্রিকাগী মীয়ামশিং, সাউথ অমেরিকাগী মীয়ামশিং, য়ুরোপকী নাটোদা য়াওদবা লৈবাকশিং, রুসিয়া অমদি এসিয়াগী মীয়ামশিংবুসু চিংথদনা সর্ভেদা য়াওহন্দুনা মখোয়গী ৱাখল্লোল লৌফম থোকই। চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিং অসিদা লৈরিবা মীওই ৬.৩ বিলিয়ন হেনবা মীয়ামসিবু য়ু এসকী লিবরেল দেমোক্রেসি লৈঙাক চত্তে হায়দুনা শা-ষণগুম ৱাখল অমত্তা খনবা ঙল্লম্লোই হায়বগী মওংদা সর্ভে তৌবা য়াওহন্দনা য়ু এস এগী মীচংদা লৈবা লৈবাক খরখক্তা তৌবা সর্ভে রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইরগা চাইনা অমদি রুসিয়াবু মালেমগী মীয়াম্না করম্বা মীৎয়েংদা য়েংই হায়না ফোঙদোকপসি য়াম্না বায়স ওইবা থৌওংনি। মতৌ অসুম্না অসিগুম্বা অরানবা থৌওং কয়া চত্থদুনা চাইনা অমদি রুসিয়াবু মীয়ামগী থম্মোয়নুংদা লান্না অকিবা শক্তম শন্দোক্তুনা লাক্লুবসু ঙসিদি তপ্না তপ্না খঙনরক্তুনা মালেমগী লৈবাক কয়া চাইনা অমদি রুসিয়ারোমদা মায় ওনশিল্লক্লি। করিগীদমক মালেমগী মীয়াম্না, মরু ওইনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা চাইনা অমদি রুসিয়াদা হান্ন য়েংলম্বা মীৎয়েং হোংদোক্তুনা চাইনা অমদি রুসিয়াগা চৎমিন্নবা পাল্লিবনো হায়বগী মতাংদা মরম খরদং থমজরমগে।

অহানবদা, লিবরেল দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকশিংদা দেমোক্রেসিগী ৱাহম্থোক লৈনা লৈঙাক থম্লক্তবা অসিনি। লিবরেল দেমোক্রেসি চৎলি হায়রিবা লৈবাকশিং অসিদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মাগী মাগী ওইজবখক থিদুনা ভোট হুরান্দুনা, মীয়ামদা নমথাক তৌদুনা ভোট কানবা হোৎনবা, শেঞ্জা থুমজা হেনগৎলকপা, লৈবাক মরা তপ্না থম্বা ঙম্লক্তবা, হুরান চিন্থি অমদি ক্রাইমনচিংবা হেনগৎলকপা অদুগা নাকল অমরোমদনা চাওখৎপগী খোঙথাংদি অসুম অসুম তপথরকপা কয়া অসিনা মীয়াম্না লিবরেল দেমোক্রেসিদা থাজবা থম্লক্তবনি।

অনীশুবদা শেন্মীৎলোন (ইকোনোমিক দিভেলপমেন্ট) য়েংলকপদা য়ু এস এ অমদি মহাক্কী এলাইশিংনা মতেং পাংবদগীদি চাইনা মতোমতনা মতেং পাংবনা য়াম্না হেল্লকপা, খুদম ওইনা হায়জরবদা, চাইনানা য়ু এস দোলর ত্রিলিয়ন ৪ থাদদুনা লৈবাক ১৪৭তা চথোক চৎশিন অমদি লল্লোল ইতিক তৌবদা য়াম্না কান্নগদবা “Belt and Road” 2013 দা হৌদোক্তুনা শীজিন্নবা হৌরকপা অসিনি। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসিনা লৈবাকশিং অসিদা লৈরিবা মীওই ৪.৬ বিলিয়ন লৈবগী মনুংদা শরুক অহুম থোকপগী মনুংদা শরুক (৬৬%) অমনা চাইনাদা অফবা মীৎয়েংদা য়েংই। রুসিয়াদা য়েংবা মীৎয়েংসু অদু মঙাই। রুসিয়া য়ুক্রেন ৱার লৈদুনসু সাউথ এসিয়াদা ৭৫%, অফ্রিকাদা ৬৮% অদুগা সাউথ ইষ্ট এসিয়াদনা ৬২% রুসিয়াবু অফবা মীৎয়েংদা য়েংলি।

অরোইবদা অতোপ্পা মরু ওইবা মরম অমনা নোংচুপলোমগী চৎনবী হায়বদি gay-lesbian culture অমদি rights, individualism, individual freedom, gender equality, নুপী নুপাগী মরীদা অচেৎপা মরী লৈরক্তবা, ঙাইহাক লৈতনা অমদগী অমদা হোংবগী চৎনবী অসিনচিংবগী অমোৎপনচিংবশিং পাম্লক্তবা অসিনি। চাইনা অমদি রুসিয়াদা হায়রিবা চৎনবীশিং অসি চৎনদে, ৱাংনা লৌনদে। অতৈ মরমসু লৈরি, মতাং চাবদা পাউদমজরক্কে। য়াইফমিন্নরসি। ●